

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ফ্রেন্স ওপন ২০১৪দা শরুক য়ারিবী*

*অনা ইভানোভিক*

*প্রফেসনেল বোক্সিংদা*

*নৌনা থোরক্লিবা নিল্ল হোরা*

## স্পেনগী ষ্টার প্লেয়ার দিগো কোষ্টা ব্রার্ল্ড কপ য়াওদবা য়ানা লৈরি



*রিও দি জানৈরো, মে ২৭ঃ*

স্পেন টিমদা য়াওরিবা ব্রাজিলদা পোকখিবা ষ্টার প্লেয়ার অমা ওইরিবা দিগো পাংথোক্কদৌরবা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা কোষ্টা য়াওরদবা য়াই হায়রি ।

মথংগী থাদগী ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোক্কদৌরিবা ফিফানা শিনবা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা স্পেনগী ষ্টার প্লেয়র অমা ওইরিবা দিগো কোষ্টা হামষ্ট্রিং শোকপনা মরম ওইদুনা ডাক্তরনা চায়োল অনি পোত্থাবা হায়রকখিবগা লোয়ননা পাংথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসি য়াওদবা য়ানা লৈরি ।

মশাগী চহি ২৫ শুরবা শান্নরোই অসিনা চেম্পিয়ন লিগকী ফাইনেলদা মাগী ক্লব ওইরিবা এলিটিকো মেদ্রিদকা রিএল মেদ্রিদকা শান্নখিবা ফাইনেল অদুদা শোকখিবনি । মহাক্কী ফৈগনগী শরুক অমদা হামষ্ট্রিং শোকপনা মরম ওইদুনা ডাক্তরশিংনা খুদক্তা ত্রিতমেন্ট তৌখি । ত্রিতমেন্ট তৌখিবা ডাক্তর পেদরো ব্রিলেন্না ফোংদোকখিবদা মহাকপু মফম অদুদা লৈবা কেন্ত্রো ক্লিনিক হায়না খংনবা অদুদা স্পেন টিমনা শান্নরোই অসিবু স্কেন তৌনবা থাখি । মহাক্কী য়েৎথংবা খোংগী হামষ্ট্রিং অমা শোকপনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা চায়োল অনি পোত্থাবা চুমগনি হায়নসু ফোংদোরকখি ।

ব্রার্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নসু ওইরিবা স্পেননা হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা মখোয়গী অহানবা মেটচ ওইনা নিনি চনবা নুমিৎ জুনগী তাং ১৩দা গ্রুপকী মেটচ ওইনা নেদরলেন্সকা শান্নগদবনি । নুমিৎ অদুদা শান্নরোই অসি গ্রাউন্দদা লৈগনি অদুম ওইনমক মহাক্কী মশাগী ফিভম অদুগী মতুংইন্না শান্নবা য়াওবা নত্রগা য়াওদবা হায়বদু খন্নগনি হায়না টিমগী ডাক্তর অসিনা মখা তাখি । টিমগী মেনেজর ওইরিবা ভিনসিনেত দেল বোসকুইনা মহাকপু টিম অসিগী প্লেয়র লিষ্টতা হাপকনি হায়বগী ব্রাফম অসি শান্নরোই অসিগী মশাগী ফিঠনেস অদুগী মতুং ইন্না য়াওগনি ।

টিম অসিদা মরু ওইবা শান্নরোই কয়া অমসু এদলিতিকো অমদি রেল মেদ্রিদ ফাইনেল শান্নরবা মতুংদা টিম অসিদা হাপলিবনি হায়খি । রেল মেদ্রিদনা লিসবোননা শান্নখিবা মেটচ অদু এক্ট্রা টাইমদা ৪–১ মায়থিবা পিখি। দেল বোলকুইস য়াওনা টিম অসিদা মরু ওইবা শান্নরোই ৩ ফোর ব্রার্দ ওইনা য়াওরি । মখোয়শিং অদুদি দেবিদ সিলভা, ফারন্দো তোরেস অমদি পেদদ্রো রোদ্রিদগুইস হায়রিবা শান্নরোইশিং অসিগা লোয়ননা জুনগী ৩০দা মীওই ১৯না শাবা স্পেনগী টিমগা ভোভিয়াগা মেগী ৩০দা ফ্রেনলি মেটচ ওইনা শান্নগনি ।

শান্নরোই অসিনা ব্রার্ল্ড কপকী টিমদা য়াওগদ্রা নত্রগা য়াওরোইদ্রা হায়বা ব্রাফম অদু মে ৩০দা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগী মতুংদা খান্নগনি । কোষ্টা য়াওনা এলিটিকো অমদি রেল মেদ্রিদসকী শান্নরোই ২৩গী লিষ্ট অমা হান্না শেমদুনা লৈরবনি । স্পেননা ব্রার্ল্ড কপকী গ্রুপ বিদা লৈবগা লোয়ননা মখা তাবা মেটচশিংদা চিল্লি অমদি ওষ্ট্রোলিয়াগা শান্নগনি । মখোয়গী মরু ওইবা ওপোনেন্ট টিম অমা ওইরিবা নের্দলেন্স অসি ইং ২০১০গী সাউথ আফ্রিকা ব্রার্ল্ড কপ অদুদা ফাইনেলদা শান্নবদা মায়থিবা পীখিবনি ।

নাকল অমরোমদা পাংথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা নাইজেরিয়া টিমনা সেমি ফাইনেল ফাওবা চংগনি হায়না য়াম্না চাউনা আশা তৌরি । টিম অসিদা য়াওরিবা ভিক্টার মোসেসনা ফোংদোকখিবদা নাইজেরিয়ানা ইন্টর্নেসনেল ওইনা ফ্রেনলি মেটচ অমা লন্দনদা হয়েং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা স্কোটলেন্দগা শান্নগনি ।



মোসেসনা মহাক্কী টিম মেত ওইরিবা শান্নরোইশিংগা লোয়ননা ব্রাজিলগী মায়োক্তা অকনবা এটেক চৎথগদৌরি । মহাক্কী টিম মেতশিং অদুদি গ্রোদোন ষ্ট্রাচন্দগা লোয়ননা ক্রেভিন কেটেষ্টগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক প্রেমিয়র লিগতা ফুলহম টিমদা শান্নরিবা শান্নরোই ঙক্তনি ।

চেলসিবু য়াম্না নাক্লবা মারজিলদা মায়থিবা পিখিবা ক্লব অসিদা য়াওরিবা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংনা মথংগী থাদা পাংথোক্কদৌরিবা ব্রাজিলগী কপ অসিদা পৃথিবীগী মীয়ামদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়না মোসেসনা ফোংবগা লোয়ননা পাংথোক্কদৌরিবা কপ অসিদা মহাক্কী টিমনা শোয়দনমক সেমি ফাইনেল য়ৌগনি হায়খি ।

টিম অসিগী দাইত্ব খুদিংমক কোচকী মখা পোনগনি । মহাক্না টিম অসিগীদমক অফবা ফোর্মেসন কয়া লাংগনি । মহাক্কী পাউতাক মতুং ইন্না টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংনা ক্লব অসিদা নিংথিনা শান্নরক্কনি ।

মোসেসনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মহাক হৌজিক লিভর পুলদা হন্দক্কী সিজন অসিগীদমক লোন প্লেয়র ওইনা শান্নরি । মসিগা লোয়ননা টিম অসিনা অশানবা মীৎয়েং অমা থমখিবগা লোয়ননা প্রেমিয়র লিগ অদুদা রনর্স অপ তাদুনা মাঞ্চেষ্টর সিটিগী ঙমথংদা লৈরি । মসিগুম্বা কয়া অসিনা হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদা নাইজেরিয়া টিম অসি অরাইবা অমদি ওইরোই হায়খি ।

মহাক্কী টিমদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অসি মঙোন্দগী হেন্না হৈথোই শিংথোইবা কয়া অমসু য়াওই হায়না মোসেসনা ফোংদোকখি । টিম অসিনা স্কোটলেন্দগা ফ্রেনলি মেটচ শান্নবা লোয়রবা মতুংদা য়ু এস এদা মখোয়গী টিম কোচ ষ্টেফেন কেসিগা লোয়ননা চৎকনি । হৌজিক ফাওবগী ওইনা নাইজেরিয়া মীওই ২৩না শাবা টিম অমা ফিফাগী লুচিংবশিং হায়বদি ইন্টর্নেসনেলদা ফুটবোলগী অচৌবা বোদি অমা ওইরিবা অসিদা জুনগী ২দা লিষ্ট অসি থাগৎকনি ।

হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিগা স্কোটলেন্দনা ফাইনেল ওইনা পাংথোকখিবা লৈবাক ৩২ খনবগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ অসিদা মায়পাকপা ঙমখিদে মখোয়না ইং ১৯৯৮দা ফ্রেন্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ অদুগী মতুংদগী অচৌবা মেজর ওইবা টুনার্মেন্টশিং শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখি । স্কোটলেন্দ টিমনা নাইজেরিয়াগী টিম কোচ অসিগী মখাদা চহি ২গী মতুংদা পাংথোক্কদৌরিবা হায়বদি ইং ২০১৬কী য়ুরো কপতা শরুক য়াগনি হায়না স্কোটলেন্দ টিমগী ষ্ট্রাইকর ওইরিবা জোর্স বোইনা ফোংদোকখি ।

স্কোটলেন্দগী টিম অসি থা ১২ রোম অসিদা অফবা শান্নরোইশিং খন্নবগী দিসিজন লৈতবনা মমাংগী চহি অদুদসু অচৌবা টুনার্মেন্ট কয়া শরুক য়াবা ঙমখিদে । স্কোটলেন্দ টিমগী শান্নরোই ওইরিবা জোর্সনা ফোংদোকখিবদা য়াম্না থাজদনা টিমনা ক্রোএসিয়াবু ক্বালিফাইয়িং মেটচতা মায়থিবা পিখি । মসি য়াম্না থাজদবা মওং অমনি । মসিনা তাকপদি টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অসিনা য়াম্না নিংথিনা শান্নবগা লোয়ননা মায়পাকপা অসি পুরকখিবনি, টিমগী ফিভম ফঙাৎলকপা অসিদা নুংঙাইবা ফোংখি ।

## হিট্টর ব্রাটসন সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে
## লি না অমদি ষ্টেনিলাস ফাষ্ট রাউন্দদা লৈহৌরে

*পেরিস, মে ২৭ঃ*

রোলেন্দ গারুসতা চৎথরিবা ফ্রেন্স ওপনগী ঙসি শান্নখিবা য়ুমেন্সকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ মায়পাকপগা লোয়ননা ব্রিটেনগী শান্নরোই হিট্টর ব্রাটসন অনিশুবা রাউন্দ চংখ্রে । টুনার্মেন্ট অসিদগী চিনাগী লি না অমদি স্যুইজগী ষ্টেনিলাস ব্রারিংকা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে ।



ব্রিটেনগী সিঙ্গসকী শান্নরোই অসিনা মহাক্কী ওপোনেন্ট প্লেয়র বারবোরা জালাভোভাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পিখিবনি । ক্বাইলিফাইয়িং রাউন্দদা মায়পাক্লক্কুনা অহানবা রাউন্দ শরুক য়ারিবা ব্রাটসননা মহাক্কী ওবোনেন্ট বারবোরাবু ৬–৩, ৬–৪দা মায়থিবা পিখিবনি । ব্রটিষ্টকী নম্বর ২ ওইরিবী শান্নরোই অসিনা মেটচ ১১ মায়পাকপা ঙমখি । মহাক্না পেরাগুয়ে ওপন্দা মায়পাকপসু ঙমখিবী শান্নরোই অমনি । মশাগী চহি ২২খক্তা ঙায়রিবী শান্নরোই অসিনা মথংগী রাউন্দদা রোমানিয়াগী মরিশুবা সিততা লৈরিবী সিমোনা হালেপকা শান্নগনি ।

শান্নরোই অসি হান্ননা ব্রার্ল্ডগী টোপ ৮০দা লৈরম্বদগী হৌজিক ৪০দা কাখৎলকখ্রে, লোয়ননা ব্রটিষ্টকী ওইনসু হৌজিক নম্বর ১ রেঙ্কতা লৈবা শান্নরোই অমা ওইবা ঙমখ্রে । মায়পাক্লবা শান্নরোই অসিনা ফোংদোকখিবদা মহাক্না ঙসি শান্নখিবা অসি মমাংদা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না নিংথিনা শান্নখিবদি নত্তে । মহাক্কী ওপোনেন্ট ওইরিবা শান্নরোই অসি অতোপ্পশিংগা য়াম্না খেৎনবা অমসুনি হায়খি ।

ব্রাটসন্না মখা তানা হায়খিবদা মহাক্কী ওপোনেন্ট ওইখিবী বারবোরা অসি য়াম্না ট্রিক শান্নবা শান্নরোই অমনি, মেটচ মনুংদা দ্রোপ সোট য়ৈরম্নগা নেত ময়াদা চেনখৎলক্কুনা হাল্লকপা বোল থোম্নবা ঙাইখি । মসিনা মানা খল্লিবদু চুম্নবদি ওকপদা য়াম্না ব্রাবা বোল কয়া য়ৈরকখি । শান্নবা অসি তোঙান তোঙানবা শান্নরোইশিংগী মওং মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা ফোর্মদা শান্নগদবনি । মহাক্না ঙসি মায়পাক্লিবসি মহাক্না লৌখিবা দিসিজন অদু চুম্বননি । শান্নরোই অসিনা টুনার্মেন্ট অসি শরুক য়াদ্রিঙৈগী মমাংদা মতম খরা নাদুনা লৈরুরগা হৌগৎলকবা মতুংদা হন্দক্কী টুনার্মেন্টতা মহাক্কী অনৌবা এটেক্কীং ষ্টাইল অমা শান্নগনি হায়না ফোংদোকপা লৈখ্রবনি ।

ব্রাটসন্না ইং ২০১৩দা পাংথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অদুগী অহুমশুবা রাউন্দদা লৈহৌরবা মতুংদা হন্দক্কী ওইনা ফ্রেন্স অসিদা ঙসি বারবোরাবু মায়থিবা পিখিবী অসিনা গ্রান্দ স্লামগী অহানবা মায়পাকপা ওইরি।

মেটচ মনুংদা বারবোরানা দাল্ল ফোল তৌখিবা অমদি বেক হেন্দদা কয়ারক হন্না মায়থিবা নংখিবনি । অনিশুবা সেট অদুদদি ব্রাটসন্না বারবোরাগী অশোনবশিং অদু খংবগা লোয়ননা সেট অদুদা অহুম অনিদা লিট লৌখি । লোয়ননা মহাক্না বারবোরাগী সারভিস অমা ব্রেক তৌবগা লোয়ননা অনিশুবা সেট অদুসু ৬–৪দা মায়পাকখি ।

নাকল অমরোমদা টুনার্মেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবী ইং ২০১১ কী ব্রিনর ওইখিবী চাইনাগী শান্নরোই হৌজিকনা অনিশুবা সিদেদতা লৈরিবী লি না অহানবা রাউন্দদা ফ্রেন্সকী শান্নরোই ক্রিষ্টিনা মালাদেনোভিক মখুত্তা ৭–৫, ৩–৬, ৬–১দা মায়থিবা নংদুনা লৈহৌরে । লি না অসি হৌজিক অনিশুবা সিদেদতা লৈবগা লোয়ননা হন্দক চহিদা পাংথোকখিবা ওষ্ট্রোলিয়ন ওপন অদুগী ব্রিনরসু ওইখিবী শান্নরোই অমনি । মহাকপু মায়থিবা পীরিবী ফ্রেন্সকী শান্নরোই অসি হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা ১০৩ শুবা রেঙ্কিংদা লৈবা শান্নরোইনি । অদুম ওইনমক শান্নরোই অসি ইং ২০০৯দা পাংথোকখিবা ফ্রেন্স ওপনগী জুনিয়র লেদিস সিঙ্গস চেম্পিয়ন ওইখিবনি ।

ঙসিগী মেটচ অদুদা লি না না মায়থিবা নংখিবা অসিদা চাউরক্না পুং ২গা মিনিট ৬ লোম চংখি । মহাক্কী মায়থিবগী খ্বাইদগী চাউবা মরম অমদি মপা চুম্না পোইন্ট লৌবা য়াবা বোল তাখিদবা অসিননি ।

অমরোমদা নুপাগী শান্নখিবা মেটচতা চহি অসিগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন চেম্পিয়ন ওইখিবা স্যুইজগী শান্নরোই ষ্টেনিলস ব্রারিংকাবু স্পেনগী গুইলারমো গ্রাচিয়া–লোপেজগী মখুত্তা মায়থিখিবনি । নুপাগী অহুমশুবা সিততা লৈরিবা ব্রারিংকানা হন্দক পাংথোকখিবা মোন্তে কার্লো মাষ্টরদা মায়পাকখি । ঙসি মহাকপু লোপেজনা ৪–৬, ৭–৫, ৬–২, ৬–০দা মায়থিবা পিখিবনি ।



## নিকিন থিমাইহ শোকপদগী য়ুব্রাজ ব্রালমিকি হাপচিনখ্রে

*হাগুই, নিদরলেন্দ মে ২৭ঃ*

মফম অসিদা পাংথোক্কদৌরিবা হোকি ব্রার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়া টিমগী ওইনা খ্বাইদগী খুদোং চাদবা অমা মায়োক্লখ্রে, টিম অসিদা হান্ননা ফোর্ব্রাদ শান্নরম্বা নিকিন থিমাইহ শোকপনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মহুত্তা য়ুব্রাজ ব্রালমিকি হাপচিনখ্রে ।

ইন্দিয়াগী মেন্স হোকি টিম অসিনা হৌজিক নেদরলেন্সতা ইরাই নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা হোকি ব্রার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী মরু ওইবা ফোব্রার্দ অমা ওইরিবা নিকিনগী য়েৎ থংবা খুৎকী হামষ্ট্রিং পুল ওইবনা মরম ওইদুনা মহাক ডাক্তরনা ডাইগনোজ তৌরবা মতুংদা মতম খরা হায়বদি চায়োল মরিমুক পোত্থানবা খংহল্লকপগা লোয়ননা মহাক্কী মহুত্তা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই য়ুব্রাজ ব্রালমিকি ওইনা হাপচিনখিবনি ।

নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর ওইরীবা রামনদিপ সিংহসু য়াম্না থিনা শোকপনা মরম ওইদুনা শিন্দোকখ্রবনি । মহাক্কী মথংদা নিকিনসু অমুক শোকপনা মরম ওইদুনা য়ুব্রাজ হাপচিনখিবনি । রামনদিপনা ইন্দিয়া অমদি অর্জেন্টিনা শান্নখিবা প্রেক্টিষ্ট মেটচ অমদা শোকখিবনি । মহাক্কী মহুত্তা উপধায়াবু হাপচিনখিবনি ।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মরু ওইবা শান্নরোই ওই হায়না লৌখিবা রামনদিপ অমদি নিকিন অনি য়াওদবা অসিনা মরম ওইদুনা পাংথোক্কদৌরিবা হোকি ব্রার্ল্ড কপ অসিদা চাউনা অহোংবা অমা লাকখিবনি । মখোয় অনিগী মহুত্তা য়ুব্রাজ ব্রালমিকি অমদি লালিত উপধায়া হাপচিনখিবনি হায়না ইন্দিয়াগী হেদ কোচ ওইরিবা তেরি ব্রাল্র্সনা ফোংদোকখি ।

মশাগী চহি ২৩ শুরবা য়ুব্রাজ ঙসি অথেংবদা নেদারলেন্দকীদমক ইন্দিয়া থাদোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওদুনা মে ৩১দগী জুনগী ১৫ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা হোকি অচৌবা ইভেন অসিদা শরুক য়াগনি । ইন্দিয়া টিমদা খল্লক্লবা য়ুব্রাজনা ফোংদোকখিবদা মহাক্না য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নগনি হায়খি ।

টিম অসিগী কোচ ওইরিবা ব্রাল্সনা মখা তানা হায়খিবদা হান্ননা খল্লবা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা অফবা শান্নরোইনি হায়না খনখিবা শান্নরোই রামনদিপ অমদি নিকিন য়াওদবসি য়াম্না নুংঙাইতে । মখোয়গী মহুত্তা হাপলিবা য়ুব্রাজনা টিম কোচনা খল্লিবা অদুমক পাংথোকপা ঙম্নবা মহাক্কী বেষ্ট লেবেলদা হোৎনগনি হায়নসু ফোংদোকখি ।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ইন্দিয়া টিম য়াওদুনা মমাংগী থাদা য়ুরোপ টুরদা শরুক য়াখি । মসিনা মহাক্কী পুন্সিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্কনি । মহাকপু টিম অসিদা য়াওনবা কৌরকখিবা অসিগা লোয়ননা পাংথোক্কদৌরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা লৈবাক অসি মাংথানা পুশিনবদা মহাক্কী অঙম্বা লৈজবিশিং অদু হোৎনদুনা শান্নগনি হায়খি ।

নিংশিংবা য়াই য়ুব্রাজ ইন্দিয়ান হোকি লিগতা শরুক য়াখিবা শান্নরোই অমনি মদুদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অদুসু মীয়াম্না নিংশিংনরি ।

ইং ২০১১ দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা মহাক্না ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা মেটচ ৩৮না শান্নখ্রে । মহাক্না শরুক য়াখিবা ইন্টর্নের্সনেলগী ওইবা মেটচশিং অদুদি ২০১২দা পাংথোকখিবা ওলেম্পিক ক্বালিফাইং, চহি অদুমক্তদা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাংথোকপা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি, মালেসিয়াদা চহি অদুমক্তদা পাংথোকখিবা সুলটান অজলান সহা কপ, ইং ২০১১দা সাউথ অফ্রিকাদা পাংথোকখিবা চেম্পিয়ন চেলেঞ্চ অমদি এসিয়ান চেম্পিয়ান ট্রোফিশিংনি ।



## নোংনা মরম ওইদুনা অহানবা ক্বাটরগী মেটচ য়ৈথোকখ্রে

*কোলকাটা, মে ২৭ঃ*

কোলকাটাদা ঙসি চৎথরিবা পেপসি ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেৎকী অহানবা ক্বাটর মেটচ কোলকাটা নাইট রাইদর্স অমদি কিংস এলেভেন পঞ্জব শান্নগদবদু নোং চুবনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে ।

য়ৈথোকখ্রবা টিম অনিগী অহানবা মেটচ অসি হয়েং মফম অসিমক্তদা শান্নগনি হায়রি । হয়েংগী মেটচ অসি নুংথিলগী পুং ৪ তাবা মতমদা শান্নগনি । মসিগী মতুংদা চেন্নাই সুপর কিংস অমদি মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা নুমিদাংগী পুং ৮ তাবা মতমদা বারৌনিদা শান্নরগনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা কোলকাটাদা নোং কান্না চুখিবা মরমনা ইদেন গর্দেনদা লৈরিবা গ্রাউন্দ অদু কা হেন্না চোৎপনা মরম ওইদুনা মেটচ অসি মফম হোংদোকখিবনি । বে ওফ বেঙ্গোলদগী হৌরকখিবা নোং পুবা লৈচিলনা মফম অদুদা হায়বদি কোলকাটাগী অকোয়বদা য়াম্না কানবা নুমিৎ নিনি লেপ্তুনা নোং চুখিগনি হায়না ইন্দিয়ান মেত্রোলোজিকেল ডিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি ।



কিংস এলেভেন পঞ্জবনা লিগ অসিগী রুলগী মতুং ইন্না এদভানটেজ লৌবা য়াবা অমদি লৈ। টিম অসিনা লিগ ষ্টেজদা রন য়াম্না লৌরকখিবনা মরম ওইদুনা ফাইনেলদা চংবা য়াবা ফাওবগী থক্তা লৈরি ।